গ্রোসরিগী পোৎলমশিং ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট ‘ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা ফঙহন্নবা থবক লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোক দাউন লাওথোকখিবদগী মীয়াম্না নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফঙদবদগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু কোক্লনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়েল্লগনি অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মরু ওইবা কৈথেল খরা হয়েং হাংগনি হায়না থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপুটি কম্মিস্নরনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হয়েং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা চেঙ, হৱায়, য়েরুম, শঙ্গোম, ইঞ্জাং নাপী, হৈরা, চিনি, থুম অমসুং আটানচিংবা পোৎলমশিং জোন অনী খায়দোক্তুনা য়েহোক্কনি হায়রি। জোন ১ গী ক্লষ্টর ১ গী মনুং চন্না পেলেস গেট, নিউ চেকোন ট্রাইবেল মার্কেট, পোরোম্পাৎ, লল্লোং কৈথেল, ক্লষ্টর ২ গী মনুংদা লল্লাই কৈথেল, সৱোম্বুং অমদি য়াইঙাংপোকপী, ক্লষ্টর ৩ গী মনুং চন্না পাঙ্গৈ, শগোলমাঙ, শণ্ত্রৈ, পুখাও, উয়ুমপোক অমসুং ক্লষ্টর ৪ গী মনুংদা মন্ত্রিপুখ্রি, কোইরেংঙ্গৈ, খাবম লমখাই, সঙাকফম, খুরাই অমদি হৈক্রুমখোঙদা হয়েং অয়ূক পুং ৬ তগী পুং ১১ ফাওবা মীয়ামদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়েনগনি।

লোয়নবা জোন ২গী ক্লষ্টরতা কোংবা কৈথেল, খোঙমন মাঙজিল অমদি পুজা লম্পাক, ক্লষ্টর ৬ তা কৈরাও ৱাংখেম, কিয়ামগৈ অরাপটি, কিয়ামগৈ লিটান মখোঙ অমসুং ক্লষ্টর ৭ তা পোইরৌখোঙজিল, য়াইরিপোক লাইমনাই, য়াইরিপোক অজাদ, হূইকপ অমসুং য়াম্বেমদা হয়েং মার্চ ২৭ কী অয়ূক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা পোৎলমশিং অদু য়েহোক্কনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা মীয়াম্না থেংনরিবা লোক দাউনগী খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং কৈথেল, কিয়াম বাবু কৈথেল, থৌবাল কৈথেল, অথোকপম কৈথেল, খাঙবোক কৈথেল, ৱাংজিং কৈথেল, খোংজোম কৈথেল, সঙাই য়ুম্ফম কৈথেল, লাক্সমী কৈথেল নিঙোম্থম, য়াইরিপোক কৈথেল, নোংপোক সেকমাই কৈথেল অমদি হৈরোক কৈথেলশিং হয়েং মার্চ ২৭ কী অয়ূক পুং ৬ তগী অয়ূক পুং ১১ ফাওবা হাংগনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিপুটি কম্মিস্নরনা খূৎয়েক তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অদুম ওইনমক মীয়াম্না নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৌবা থৌরকপা মতমদা অমদি কৈথেল কারকপা মতমদা লৈঙাক্না পীবা স্পেসিং পেট্রন ঙাক্লা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা লাপ্পা লৈনগদবনি, অচা অথক অমদি মখল খুদিংগী পোৎলমশিং মমল হেন্না য়োনবা য়ারোই, তঙাইফদনা চঙবা চাংদগী হেন্না কা হেন্না পোৎচৈশিং লৈশিন্নবা হোৎনবা য়ারোই, ইমুং অমগী মীওই অমা খক্তমক থোরক্কদবনি, মীয়াম্না থৌরকপদা গাড়ী পুরকপা য়ারোই লোয়নবা মেদিকেল ষ্টোরশিং পুং ২৪ চুপ্পা হাংগদবনি। মীয়াম্না চেকশিন্না লৈবিয়ু অমদি কোভিদ–১৯দগী লাপ্পা লৈবিয়ু হায়না চেরোলশিং অদুনা মখা তানা হায়রি।

কোভিদ–১৯ থেংননবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েনশিন্নবা ওফিসরশিং খনগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর লৈঙাক্না কোভিদ–১৯ লায়চৎ থেংননবা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথৌ তৌগদবা নোবল ওফিসরশিং খনগৎতুনা মথৌ তৌবা হৌননবা খঙহনখ্রে হায়না ওফিস ওফ দি চীফ সেক্রেটরী গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না উখ্রুল অমদি কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা এদ্দিস্নেল চীফ সেক্রেটরী আই এ ,স এম ঐচ খান (৯৯১৭৪৭২৯০০), বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা এদ্দিস্নেল চীফ সেক্রেটরী আই এ এস লেটখোগিন হাওকিপ (৯৪৩৬০২১৮৩৫), চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী আই এ এস পাওলুং থাং ভাইফৈ (৯৪৩৬০২১৭৭৪), ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নর কুম সেক্রেটরী আই এ এস নিধি কেসরৱানি (৮৯৭৫০৮৭৮৭), চান্দেল অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা কম্মিস্নর কুম সেক্রেটরী আই এ এস কেঐচ রঘুমনি সিংহ (৯৬১২০০১৮৯৭), থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা কম্মিস্নর কুম সেক্রেটরী আই এ এস টি রঞ্জিৎ সিংহ (৮৪১৬০৯৩৮৮৭), সেনাপটি অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা কম্মিস্নর কুম সেক্রেটরী আই এ এস এম হারেকৃষ্ণ (৯৮৬২০২৯৭৬৮), তমেংলোং অমদি নোনে দিষ্ট্রিক্টতা কম্মিস্নর কুম সেক্রেটরী আই এ এস এম জয় সিংহ (৮৯৭৪৪৫৯৯২৩) অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা সেক্রেটরী আই এ এস জিসিন্থা লাজারস (৯৪৩৬০৩৪৯৩৪)না নোবল ওফিসর ওইনা থৌ পুরগনি। অমদি দিষ্ট্রিক্ট নোবল ওফিসরশিংগী পীরিবা নম্বর অসিদা মীয়াম্না কোভিদ–১৯গা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংবা য়াগনি হায়রি।

লোয়নবা মেম্বর ওফ লেজিস্লেটিব এসেমব্লি (এম এল এ)শিংনা লোক দাউন মনুংদা মশা মশাগী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লৈদুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা য়েংশিন্নবা অমদি কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থেংনবা লৈঙাক্না হোৎনরিবা অদুদা মতেং পাঙননবা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

মণিপুরগী অহানবা কোভিদ–১৯ পেসেন্ট দিচার্জ তৌবা য়ানা লৈরে

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

মণিপুরগী অহানবা ওইনা কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী চহী ২৩ শুৱবী অনাবা অদু মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী গাইদলাইনশিংগী মখাদা লায়েংবদগী ফীভম ফাগৎলক্লে অথুবা মতমদা দিচার্জ তৌবা য়াৱনি হায়না জেনিমস হোস্পিটালদগী ফঙবা পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অদুনা মখা তানা হায়, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স (জেনিমস)কী আইসোলেসন ৱার্দতা লায়েংলিবা অনাবা অদুগী ফীভম য়াম্না ফগৎপা উরে। মহাক লন্দনদগী থা অসিগী ২১ দা মণিপুর য়ৌরকখিবনি। অমদি মহাক্না মণিপুর খক্তা নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী অহানবা কোভিদ–১৯ পোজিটিব ওইখিবনি। লোয়নবা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ অদুদা মহাক্না ফ্লাইট তোংমিন্নরকখিবা পেসেঞ্জরশিং থিগৎতুনা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লায়না অদু মখা তানা শন্দোরকপা থিংননবা হোৎনরি।

অনাবা অদুগা লন্দনদগী থোকমিন্নরকপা মনাও নুপাগী সেম্পলশিংসু নেগেটিব ওইরে। লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা মহাক্কী ইমুং মনুং পুম্বা ক্কারেন্টিন তৌদুনা থমখিবনি। হৌজিক মখোয়গী সেম্পলশিং নেগেটিব ওইরে। লোয়ননা অনাবা অদুগা ফ্লাইট পুন্না তোংমিন্নরকখিবা মীওইশিংনা পন্থবা তৌদনা লৈঙাক্কী মেদিকেল ডাইরেক্টোরেটতা চঙবিরক্তুনা মখা তানা লায়ওং অদু শন্দোরকপা থিংনবা অমদি মশা লায়েংনবা হোৎনবগী তঙাইফদে। হৌজিক হৌজিকমক মণিপুরগী লৈঙাক্না ক্কারেন্টিন ফেসিলিটিশিং মরাং কাইনা থমদুনা মথৌ নীংথিনা লেপ্পা লৈতনা তৌদুনা লৈরি। লায়েংনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। মীয়াম্না মিপাইবা তৌবিদনবা পাউ অদুনা মখা তানা হায়রি।

লোকেল এরিয়া ফন্দদগী ক্রোর অমমম কোভিদ–১৯ থেংনবদা শীজিন্নবা ফিরেপ লৌবিনবা জয়কিষননা অপিল তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

মালেমদা হৌজিক কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি মীওই খুন্নাই অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউবা চৈথেং অমনি হায়বা য়াই মরম অসিনা অসিগুম্বা চিরবা তানফম অসিদা লৈঙাক অসিদা লৈরিবা এম এল এ খুদিংমক্না মাগী মাগী লোকেল এরিয়া ফন্দশিংদগী লাক্ষ অমমমতা ওইরবসু মীয়ামগীদমক লায়চৎ অসিবু থেংনবদা শীজিন্নবগী ফিরেপ লৌবিয়ু হায়না থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কেঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এনা মখা তানা হায়, লায়চৎ অসিনা পাকশন্না শন্দারক্কদবদগী থিংনবা হায়দুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ ২১ নি লোক দাউন তৌশিনখিবা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদসু অঙকপা ফঙনা অৱাবা চৈথেং অমসু পীরি। মসিদা লৈঙাক অসিনা সেন্টরদগী কাইথরকপা শেনফমশিং লৈরবসু মীয়ামগী শীজিন্নবা হোৎনবিয়ু। মদু নৎত্রবসু এম এল এশিংগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দশিংদগী য়ামদ্রবদা ক্রোর অমমমতা ওইরবসু শীজিন্নদুনা মাগী মাগী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী মীয়ামদা চানা থক্লবশিং য়েহোক্লবা শীনবিয়ু। হায়রিবশিং অসি লৈঙাক অসিনা তৌগে খল্লবদি কেবিনেটে মীফম অমা কৌরগা খুদক্তা লাওথোকপা য়াবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনদি হয়েংদগী হৌদুনা মশাগী শেলদগী পুথোচদুনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা চেঙ হৱাই য়েহোকপা হৌরগনি। হায়রিবা অসি নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকা মরী লৈনদে। অসিগুম্বা মীয়ামগী য়াইফনবা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং অসিদা মতেং পাঙনবা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লব দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংনা চোঙথোরকপীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োন্দনবা লৈঙাক্না খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মনুং চন্না নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োন্দনবা লৈঙাক্না খঙহল্লক্লি।

ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটিস এক্ট ১৯৫৫ সেক্সন ৩ গী মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট , থৌবাল, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৈঙাক্কী সি এ এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হায়, হোলসেলগী মমলদা মঙ্গল কে জি ১০০ দা লুপা ৫২০০ অদুগা কে জি অমদনা লুপা ৬০, কংতককিনা হোলসেল মমলদা কে জি ১০০ দা লুপা ৫৯০০ দা অদুগা কে জি অমদা লুপা ৬৫, অলুগী ওইনা হোলসেল মমলদা কে জি ১০০ দা লুপা ২২০০ কে জি অমদনা লুপা ৩০, তিলহৌগী ওইনা হোলসেল কে জি ১০০ দা লুপা ৩৫০০, কে জিদনা লুপা ৪৫, থুমগী ওইনা হোলসেল কে জি ৫০ দা লুপা ৫৫০, অদুগা কে জি অমদা মশাগী এম আর পিদা থাবা মমলদা য়োগদবনি, চিনিগী ওইনা হোলসেল কে কি ১০০ দা লুপা ৪২০০, কে জি অমদনা লুপা ৪৭, হৱাই মুকসোরিগী ওইনা ও অকুপ্পা অপৌবা খরা হেন্না পৌবগী ওইনা মমল লুপা ১০০,৮০ অমদি ৭৫ দা মথংশিংনা, জামগী ওইনা হোলসেল কে জি ৪৫ দা লুপা ১৪২০ অদুগী কে জি অমদনা লুপা ৩৮, মোইদাগী ওইনা হোলসেল কে জি ৪৫ দা লুপা ১৪৭০ কে জি অমদা লুপা ৪০, চেঙগী মমলদা হোলসেলদা কে জি ১০০ দা লুপা ৩৬০০, কে জি অমদনা লুপা ৪২ দা য়োনগদবনি। চানবা থাওগী মমলদা মাষ্টর ওইল টেগোর টিনদা লিটরস ১৫ দা লুপা ১৭৭৫ দা পালমস ওইল কে জি ১৫ দা লুপা ১৫২৫দা, রেফাইন ওইলদা কে জি ১৫ দা লুপা ১৫৭৫ দা, মাইরোঙবী হৱাই কে জি অমদা লুপা ৯০, শাগাল হৱাইগী ওইনা মখল অনীদা কে জিদা লুপা ১৩৫ অমদি ১২০ দা য়োনগদবনি। অদুম ওইনমক মঙ্গল অমদি কংতককী ওইনদি ষ্টোকতা লৈত্রে। লেমহৌরিবশিং অসিদি ষ্টোকতা মরাং কাইনা লৈরি। হায়রিবা মমলশিং চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি লুপা অমমম অমমম হেনগৎকনি।

মমলশিং অসি চয়োল অমগী মনুংদা রিভিয়ু তৌগনি। লোয়ননা মমলশিং অসি ইম্ফাল চেম্বর ওফ কম্মর্সকী ওইবা থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোকপা মিটিংগী মখাদা লেপ্পনি হায়না চেরোল অসিনা খঙহল্লক্লি।

গ্রোসরিগী পোৎলমশিং ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীয়ামদা ফঙহন্নবা থবক লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোক দাউন লাওথোকখিবদগী মীয়াম্না নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফঙদবদগী থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খরদা ওইরবসু কোক্লনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা চানা থক্লবা পোৎলমশিং য়েল্লগনি অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মরু ওইবা কৈথেল খরা হয়েং হাংগনি হায়না থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিপুটি কম্মিস্নরনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্ট লৈকাই লৈকাইদা উরিপোক কাংচুপ রোদ, খুমন লম্পাক, দি এম কোল্লেজ, নোর্থ এ ও সি, চীংমৈরোং, থাংমৈবন্দ, লম্ফেল, সনাকৈথেল, রিমস রোদ, লাঙ্গোল তারুং, থারোন, দিমাপুর রোদ, লৈমাখোঙ অমদি খুরখুল হায়রিবা মফমশিং অসিদা অয়ূক পুং ৬ তগী ১১ হাংজগনি। অদুগা ইম্ফাল জিরিবাম রোদ, বাপুপারা, লিলোং থোং, ময়াই লম্বী, কৈশাম্পাৎ সেমাইজিন, টিদ্দিম রোদ অমদি মালোম হায়রিবশিং অসিনা নুংথিল পুং ১২ দগী ৫ ফাওবা হাংগনি।

অদুম ওইনমক মীয়াম্না নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৌবা থোরকপা মতমদা অমদি কৈথেল কারকপা মতমদা লৈঙাক্না পীবা স্পেসিং পেট্রেন ঙাক্লা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা লাপ্পা লৈনগদবনি, অচা অথক অমদি মখল খুদিংগী পোৎলমশিং মমল হেন্না য়োনবা য়ারোই, তঙাইফদনা চঙবা চাংদগী হেন্না কা হেন্না পোৎচৈশিং লৈশিন্নবা হোৎনবা য়ারোই, ইমুং অমগী মীওই অমা খক্তমক থোরক্কদবনি, মীয়াম্না থোরকপদা গাড়ী পুরকপা য়ারোই লোয়ননা মেদিকেল ষ্টোরশিং পুং ২৪ চুপ্পা হাংগদবনি। মীয়াম্না চেকশিন্না লৈবিয়ু অমদি কোভিদ–১৯দগী লাপ্পা লৈবিয়ু হায়না চেরোলশিং অদুনা মখা তানা হায়রি।

ইমুং খুদিংগী চেঙ কে জি ৫ অমদি হৱাই কে জি অমমম লেম্না ফঙহনগনি : নদ্দা

ন্যু দিল্লি, মার্চ২৬ (এজেন্সি) ঃ

প্রধান মন্ত্রি গরিব কলয়ান অন্না য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা লৈবাক অসিগী ইমুং খুদিংদা চেঙ অমদি গেহু কে জি ৫ /৫ অমসুং হৱাই কে জি অমমম লেম্না ফঙহনগনি হায়না ভারততিয়া জনাটা পার্টি (বি জে পি)গী প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিদগী ফঙবা পাউগী মতুং ইন্না নদ্দনা মহাক্কী ট্যুটর একাউন্টদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাকসিগী অৱা অনা তারবশিংগীদমক অচৌবা রিলিফ অমা লাওথোকখ্রে। মীপুম খুদিংমক নুংঙাইহনবা হায়বসি ঐখোয়গী ৱারেপনি। লৈঙাক অসিনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কলয়ান অননা য়োজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা লুপা ক্রোর ১,৭০,০০০ গী শেনফম রিলিফ পেকেজ ওইনা লাওথোকখ্রে হায়না ফোঙদোক্লি।লোয়ননা রিলিফকী শেনফম অসি ডাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি)গী খূৎথাংদা ফঙফম থোকপা মীওইশিংদা ফঙহনগনি। লৌউবশিং, লেবরশিং, লাইরবী নুপীশিং, হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিং অমদি সেনিয়র সিটিজেনশিংদা হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি ফঙহনগনি। লোয়ননা গ্যাস সিলিন্দরসু থা অহুমগী লেম্না ফঙহনগনি হায়নসু মহাক্কী ট্যুটরতা ইরি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনসু খুদিংমক থাদোক্তুনা চিরবা তানফমদা ঐখোয়গীদমক থবক তৌরিবা হেল্ঠ ৱার্করশিংবু মীয়াম্না থাগৎপিনবসু হায়রি। ঙসিদি লৈঙাক অসিনা হেল্ঠ ৱার্করশিংগীদমক লুপা লাক্ষ ৫০ গী হেল্ঠ ইন্সুরেন্সসু লাওথোকখ্রে। মসিনা মীওই লাক্ষ ২০ রোমদা কান্নবা পীগনি। অসিগুম্বা খোঙথাং কয়া অসি লৌখৎপীবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরবু মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু মহাক্কী ট্যুটরদা ফোঙদোকখি হায়রি।

পূক্কিং লৌশিং | বামোন অমুমচা

চাকনিবা অমগী ৱারী

মী চিল্লবা সিটি অমগী লম্বী মপান অমদা চাকনিবা অমনা মমাঙদা পাত্র অমদা পেন্সিল ময়াম অমা হাপ্লগা ফমদুনা লৈরম্মী। লম্বী অদুদা নহা ওইরিবা সুট টাই তৌবা কম্পেনি এক্সিক্যুটিভ অমা গারী থৌরগা লাক্রম্মী। এক্সিক্যুটিভ অদুনা চাকনিবা অদুগী মনাক্তা গারী অদু খাম্লগা পোৎ অমা লৈনবা কুমথরম্মী। মহাক্না চাকনিবা অদুগী পাত্র অদুদা লুপা ১০০ চৎপি অমা থাদরগা দুকানদা পোৎলৈবা চঙখিরম্মী। এক্সিক্যুটিভ অদুনা দুকান্দগী থোরক্লগা চাকনিবা অদুগী মমাঙদা থম্লিবা পাত্র অদুদা য়াওরিবা পেন্সিলশিং অদুদগী খুবাম অমা লৌখৎলগা হায়রক্লম্মী, ‘‘ঐহাক্না পেন্সিল খরা লৌদবা য়াদ্রে। মখোয়শিং অসি মমল লৈবা পোৎনি। শম্না হায়রবদা নহাকসু ঐগুম্বা ব্যুজিনেস মেন অমনি।’’

চহী অমুক্কী মতুংদা এক্সিক্যুটিভ অদু ব্যুজিনেস পার্টি অমা য়াওরম্মী। পার্টি অদুদা চাকনিবা নুপা অদুসু সুট টাই তৌদুনা য়াওরম্মী। মহাক্না এক্সিক্যুটিভ অদু উরকপদগী মহাক্কী মনাক্তা চংশিল্লগা মশাবু মশক তাকচরগা হায়রক্লম্মী, ‘‘অদোম্না ঐবু শক খঙবিরম্লরোই অদুবু ঐহাক্নদি অদোসু য়াম্না ফজনা নীংশিংজরি।’’ মহাক্না মখা তানা চহী অমগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদু মরিক চুম্না লিরম্মী। এক্সিক্যুটিভ অদুনা হায়রকই, ‘‘নহাক্না হৌজিক হায়রকপদগী নীংশিংলক্লে। নহাক চাকনিদুনা লৈহৌবদুনি। ফরে, হৌজিক্না সুট টাই তৌদুনা লৈরম্লিবসিনা কমদৌরিবা?’’ চাকনিবা অদুনা পাউখুম পীরক্লম্মী, ‘‘অদোম্না নুমিৎ অদুদা ঐহাক্কীদমক তৌবিখিবদু অদোমদি খঙবিরম্লরোই। ঐগী পুন্সিদা অহানবা ওইনা ঐঙোন্দা দান তৌবগী মহুত্তা ঐগী মমল খঙহনবীরম্বনি। নহাক্না পেন্সিল চবুল অমা লৌরগা হায়খিবনি, ‘‘পেন্সিশিংসি মমল লৈবা পোৎনি। য়ামদ্রবদা নহাকসু ঐগুম্বা ব্যুজিনেস মেন অমনি। অদোম্না চৎথুবা মতুংদা ঐনা খনবা হৌরকখি। ঐনা মফম অসিদা তৌরিবসি করিনো? মফম অসিদা ঐনা চাকনিরিবসিনা করিগী? ঐনা ঐগী পুন্সিদা অহোংবা খরা পুরক্লগে খন্দুনা ইপোৎ ইচৈ য়োমশিল্লগা থবক শুবা হৌরক্লম্মী। অসুম্না ঐহাক মফম অসি য়ৌরক্লিবসিনি। অদোম্না ঐঙোন্দা ইশাগী মমল নৌহৌনা খঙহনবীরম্বগীদমক্তা থাগৎচরি। থৌদোক অদুনা ঐগী পুন্সিদা অহোংবা পুরকখিবনি।’’

চাকনিবা অদুগী পুন্সি করম্না হোংখিবা হায়বগী ৱারী খঙবীরেদনা। মহাক্কী পুন্সিদা অহোংবা লাকপ্রিবসি মহাক মশানা মশাবু শকখঙজরক্লবা, মহাকসু অতৈ মায়পাক্লবা মীওইশিংগুম মী অমনি হায়না মশাদা ফাওজরকপা মীকুপ অদুদগী মহাক্কী ৱাখলগী থাক ৱাংখৎলকখিবনি। মহাক মশানা মশাবু হন্থনা খঞ্জবগী লায়না অদু কোকখিবদগী মহাকসু কম্পেনি এক্সিক্যুটিভ অদুগুম মায় পাকপা মী ওইখিবনি। কৈদৌনুংদসু ইশানা ইশাবু হন্থনা খঞ্জবগী ৱাখলনা ঐখোয়বু খুদুম চলহল্লোইদৌবনি। মদুতদা মায় পাকপা পুন্সি ফংনবগী লম্বীদা চঙশিনবা হৌরক্কনি

[illegible]

[illegible]

সেন্ট্রেল কম্মিটি মীফম য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ২৬ (এস এন এস) ঃ

মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরকপদগী ষ্টেট অসিদসু য়ৌরক্লবা কোভিদ–১৯গী চেকশিন থৌরাং অসি য়েংলগা থা অসিগী ২৮ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা এম পি পিগী ইন্টিরিম প্রসিদেন্ট এল অপাবীগী মীৎয়েং মখাদা পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটি মীফম পাঙথোক্কনি তৌরম্বদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না এম পি পিগী মেদিয়া পব্লিসিটি সেক্রেটরী এম তোতোমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

[illegible] / LOST

I have lost my Admit Card of Class X bearing Roll No. 29818, year 2002 issued by BOSEM on the way in between Kongba Bazar and Palace Compound on 05th March 2020.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
(Ningthoujam Ronita Devi)
Kongba Bazar
9958998160

SL/B/27

[illegible] DUTTA [illegible]

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক অর্সিনাসক পাইলস কেপসূল দত্তা ক্লিনিকতগী ফংবিগনি

অঙৌবা পকপা

অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন থুংলরে। হৌজিক্কী অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱারুবগী দরকার ওইদ্রে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্নবনা পুং ২৪ গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিবা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুক্ষ ফহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মায়হিং, স্কিন অজমা, উরিং, মায় চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সুএল প্রোব্লেম)

নুপাগী ফম্বী থুনা থোক্কনবা, ফম্বী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্বা, নুমিদাংদা ফম্বী চৎপা, খোঙ হাম্বা অমসুং মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নরকপা, ফীনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিস্তৌ চৎপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদ্রবা অদুগা চাং হেয়্যা নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্রে।

দাইবেটিসকী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্রে

দাইবেটিসকী লায়না লৈরবদি রেট চাং হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু শোম্বরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসি শীজিন্নরবদি মতম থরগী মতুংদা দাইবেটিক্সকী চাংসু নোংমা নোংমগী হম্বরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তায়বীয়ু।

ৱেষ্টকী প্রোব্লেম

অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিন্না অদোমগী অপীকপা অমসুং চোম্বা মখলগী ৱেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা, পুক্কীং চীংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাক্তুনা ৱেষ্ট ওইন্টমেন্ট অমদি হীদাক শীজিন্নবীয়ু।

নুংশং

ঈ তাবা, চাফৎপা পোম্বা, হাক্কচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখল অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুক্ষ ফহনবা ঙম্রে। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কান্নবা খঙবা ঙমগনি।

শমগী প্রোব্লেম

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাবী অসিনচিংবা লায়নাশিংদো কোক্তা তৈনবা থাউ অদুগী অতোপ্পা হীদাক খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হম্বরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি।

গ্যাষ্ট্রিকী প্রোব্লেম (পুকী লায়না)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অসিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক শীনবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা অসি অয়ুরবেদিক্কী হীদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্রে।

নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা)

না তাবা ৱাৎপা, নাকোংদো ঙদুনা লৈবা হায়া করিসু তৌরমদবা, নাকোংদো তাবগী চাং ৱাৎলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্রে। অমুক্তং লাক্লগা তায়বীয়ু।

তাং চিকপা অমসুং খ্বাঙ নাবা

তাং চিকপা, খ্বাঙ নাবা, খোঙ খূৎ শিথবা, মশল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কা হেয়া চোংবা, থবাক খেবা শুর ফুনবনচিংবগীদমক রাবীরুপগনু য়াম্না থুনা উনবিদুনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

য়ু করম্না থাদোক্কনি

অফবা মখলগী অয়ুরবেদিক্কী হীদাক শীজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোকহনবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলনা ওইহনবা ঙম্মী। পুনমক তায়বীয়ু।

SL/Package

Please Contact
DR. (VAID) A.K. DAS

DUTTA CLINIC (REGD. NO. 55503) AYURVEDIC & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road, Khoyathong, Imphal

Crossword # 468



Across
1. Sharp blow
5. Fragrant flower
9. Happen again
14. To ____ his own
15. Good's opponent
16. Marry secretly
17. Pastors
19. Evil spirit
20. Intense rage
21. Christmas glitter
23. Peddle
24. The Red Planet
25. Asleep
27. Tiny
30. Firebug
34. Enjoy a book
35. Register
37. Compass dir.
38. "Sesame Street" character
40. Self
41. Respect
43. Pose
44. Invent
47. African antelopes
48. Beach
50. Remove
52. Cat call
53. Plunge
54. Great deal (2 wds.)
56. Tranquilize
59. Rearward
62. Path
64. Noteworthy
66. Not outer
67. Froster
68. Brought to court
69. Prevent
70. Fling
71. School groups (abbr.)

Down
1. 18-wheeler
2. Wild animal's home
3. Teen's woe
4. Greek letter
5. Person on a pension
6. Kilns
7. Misters
8. Other
9. Blushing
10. Gridiron number
11. Ellen DeGeneres, e.g.
12. "Once ____ a time..."
13. Rip apart
18. EMT's word
22. Lad's girl
24. Average skirt
26. Two together
27. Push down
28. Ghostly
29. Equivalent
30. Aquatic plants
31. Mob scene
32. Muzzle
33. Concise
36. Poetic contraction
39. Canyon effect
42. Gawk
45. Aisles
46. Magazine VIPs
49. Divan
51. Eternally
53. Noblewomen
54. Dry
55. The ____ Ranger
57. Radiate
58. Art ____
59. Touch on
60. Small insect
61. Koppel and Kennedy
63. Go wrong
65. Poisonous snake

পাউখুম লমায় ৭ দা